# ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইবনা ইন্দিয়া-পাকিস্তান ন্যুক্লিয়র বেলেন্স থুগাইরগনি : চাইনিজ মিদিয়া

বৈজিং, জুন ১৬ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র সপ্লাইয়র্স গ্রুপ (এন এস জি)গী মেম্বর ওইনবগী লম্বীদা তপ্লা তপ্লা চঙশিল্লি হায়বা খঙবা উৎলদুনা চাইনিজ ওফিসল মিদিয়ানা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে মদুদি, করিগুম্বা ন্যু দিল্লিবু এলিট গ্রুপীং অদুদা য়াওহনবা তারবদি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা লৈনরিবা ন্যুক্লিয়র বেলেন্স অদু কায়রগনি।

ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র এন এস জিদা য়াওশিনখিবনা সাউথ এসিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক বেলেন্স কায়হনবদা নত্তনা এসিয়া পেসিফিক লমদম অপুন্বগী ঈং-চীকপা অমসুং তং-তাবগী ফীভমদা অকায়বা পীরকপা ফাওবা য়াই হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা গ্লোবল টাইমসকী আর্টিকল অমনা হায়খি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানা রুলশিং ঙাকপা তারবদি চাইনানসু মেম্বর ৪৮গী ক্লব অদুদা ইন্দিয়াবু য়াওহনবগী ৱাফমদা শৌগৎপা য়াই হায়নসু আর্টিকল অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটনা রন তৌবা থিঙ্ক টেঙ্ক চাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ কন্টেমপ্ররি ইন্টরনেসনল রিলেসন্সকী রিসার্চ ফেলো ফু সিয়াওকিয়াংনা ইবা আর্টিকল অদুনা ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইবদা চাইনানা কন্না য়াদবগী ৱাফম অমসুং ক্লব অদুদা চঙখিবা তারবদি ইন্দিয়ানা লিজিটিমেট ন্যুক্লিয়র পৱার অমা ওইদুনা চাইনাগী অৱা-নুংঙাই খূদিংমক্কী মপাং অমা ওইরিবা পাকিস্তানদি মনিংদা লৈহৌরগনি হায়বগী নুংনাংবা অদু হাইলাইট তৌরি।



“থা অসিগী অঙনবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ন্যুক্লিয়রগী এলিট ক্লব অদুদা ইন্দিয়ানা য়াওবগী ৱাফমদা য়ু এস, স্বিশ অমসুং মেক্সিকোগী বেকিং ফংবা ঙমখ্রবা মতুংদা হৌজিক ন্যু দিল্লি অসি এন এস জিগী মেম্বর ওইবগী লম্বীদা তপ্লা তপ্লা চঙশিনবগুম তৌরি” হায়না আর্টিকল অদুনা ইন্দিয়ানা কন্না হোৎনবদা মেক্সিকো অমসুং স্বিটজরলেন্দগী সপ্পোর্ট ফংবা ঙমখিবগী মতাংদা ইহান হান্না পল্লদুনা হায়খি।

“মালেমগী সিবিল্যন ন্যুক্লিয়র ট্রেদপু গভর্ন তৌরিবা ব্লোক অমা ওইরিবা এন এস জিগী মেম্বর অমা ওইবনা ইন্দিয়াবু মালেমনা য়ারবা লিজিটিমেট ন্যুক্লিয়র পৱার অমা ওইহল্লগনি” হায়না আর্টিকল অদুনা হায়খি।

পাউ চেদুমক্তদা হৌখিবা জুন ১৪দা ফোঙখিবা কম্মেন্টরি অদুনা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়ানা এন এস জিদা য়াওবনা চাইনাগী নেসনল ইন্টরেষ্টতা চাউনা অকায়বা পীগনি অমসুং পাকিস্তানগী মায়কৈদগীসু রিয়েক্ট তৌরক্কনি।

“এন এস জিদা য়াওবা তারবদি ন্যু দিল্লিনা ইন্টরনেসনল মার্কেটতগী সিবিল্যন ন্যুক্লিয়র টেক্নোলোজি অমসুং ফ্যুঅলশিং হেন্না খুদোংচানা ইম্পোর্ট তৌবা ঙল্লগনি। অমরোমদা, দোমেষ্টিক ন্যুক্লিয়র মেটরিয়েলনা মিলিটরিগী লমদা শীজিন্নবা সেভ তৌবসু য়ারগনি হায়না গ্লোবল টাইমসকী আর্টিকল অদুনা হায়খি।

গ্লোবল টাইমস অসি পিপলস দেলিনা লূচিংবা রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সকী শরুক অমা ওইবা টেব্লোইদ অমনি। ইন্দিয়ানা এন এস জিদা চঙনিংবগী মরুওইবা পান্দমদি ন্যুক্লিয়র কেপেবিলিটিজগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা ইস্লামাবাদতগী হেন্না ফীভম ফনা লৈবনি। ন্যু দিল্লিনা এলিট গ্রুপ অদুগী মেম্বর হেক ওইখিবগা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা লৈরিবা ন্যুক্লিয়র বেলেন্স কায়রগনি” হায়না আর্টিকল অদুনা হায়খি।

ইন্দিয়ানা এন এস জিগী মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা লৈবাক খরগী সপ্পোর্ট ফংবা ঙমখিবগী অচৌবা মরমদি ৱাশিংটননা ন্যু দিল্লিবু য়ু এসকী এলাইয়েন্সকী শরুক অমা ওইনা মীৎয়েং থম্লকপদগীনি হায়না গ্লোবল টাইমসনা হায়খি।

মোদিগী হন্দক্কী খোঙচৎতা য়ু এসনা ন্যু দিল্লিবু মরু ওইবা দিফেন্স পার্টনর অমা ওইনা রিকগ্নাইজ তৌখি। হ্বাইট হাউসনা ইন্দিয়াবু য়ু এস মিলিটরিগী মীচং অমা ওইনা ট্রিট তৌরি হায়না আর্টিকল অদুনা হায়খি।

## হিন্দু লাইনিংবা অমসু হাৎকনি হায়না ইস্লামিষ্টশিংনা কিহনখ্রে

ধাকা, জুন ১৬ (এজেন্সী) :

“ইস্লামিক বাংলাদেশতা মখা তানা লাইনিং লাইশোন শন্দোকপগী থবক চত্থবা তারবদি হাৎকনি হায়না ধাকাদা লৈবা রামকৃষ্ণ মিসনগী হিন্দু লাইনিংবা অমদা ইস্লামিষ্টশিংনি হায়না ক্লেম তৌবশিংনা কিহনখিবদগী ওথোরিটিশিংনা এরিয়া অদুগী অকোয়বদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎহনখ্রে।

“লাইনিংবা অদুনা ঐখোয়দা জেনরেল দাইরি অমা ফাইল তৌরকপদগী রামকৃষ্ণ মিসনগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহল্লে” হায়না সিটিগী ৱারী পুলিস ষ্টেসনগী দ্যুটি ওফিসরনা পি টি আইদা হায়খি।

ওফিসর অদুনা আর কেগী লাইনিং অদুগী মশক মমিং তাকথোকখিদে। খুদক্তা কম্মেন্ট লৌনবা হোৎনবদা মিসনগী ওফিসলশিং ফংবা ঙমখিদে হায়রি। তৌইগুম্বসুং মিসনগী লাইনিংবা অদুনা কিহনবগী লেট্টর অদু হৌখিবা নুমিদাংদা ফংখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

কম্প্যুটরদা শেম্বা আই এসকী লেট্টরহেদ অমদা এ বি সিদিকি কৌবা মীওই অমগী সিগ্নেচরগা লোয়ননা অকিবা পোকহনবা ৱারোলদু পীশিল্লমখিবনি হায়রি।

“বাংলাদেশ অসি ইস্লামিক ষ্টেট অমনি। নহাক্না নহাক্কী লাইনিং লাইশোন মফমসিদা পাঙথোকপা নৎত্রগা শন্দোকপা য়ারোই।

করিগুম্বা নহাক্না মখা তানা নখোয়গী লাইশোন তিনশোনশিং চত্থবা তারবদি তারিখ ২০দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা থাঙপাক্না য়ান্দুনা হাৎকনি” হায়না ওফিসর অদুনা লেট্টর অদুগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। লেট্টর অদুদা থা অমত্তা পন্দে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

হৌখিবা নুমিদাংদা নজিমুদ্দিন গভর্ণমেন্ট য়ুনিভর্সিটি কোলেজগী চহী ৫০ শুরবা মশা হিন্দু ওইবা মেথমেটিক্স লেকচরর অমা এটেক্করশিংনা থাঙনা য়ানখি। এটেক্করশিংদুনা সাউথৱেষ্টর্ন বাংলাদেশকী মাদারিপুরদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা থোমজিল্লক্লগা এটেক অদু পাঙথোকখিবনি। লেকচরর অদু ইস্লামিষ্টশিংনা চত্থবা এটেক অমদা হিংহৌবা অমত্তা ঙাইরবা হিন্দু ভীক্টিমনি।

হন্দক থা খরা অসিদা ইস্লামিষ্টশিংনা হিন্দু কম্যুনিটিগী মীওই মরি থাঙনা য়ান্দুনা হাৎখিবনি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা লৈবাক অদুদা ইস্লামিষ্টশিংনি চিংনবশিংনা সেক্যুলর এক্টিভিষ্ট, হিন্দু অমসুং অতৈ কম্যুনিটিগী মীওই কয়া হাৎখিবদগী ওথোরিটিশিংনা হৌখিবা ইরাইদগী লৈবাক শিন-থুংনা মিলিটেন্টশিং ফাবা পুনবগী ওপরেসন অমা চত্থরকখি।

## পাকিস্তাননা জোর্দানদগী অমনবা এফ-১৬শিং লৈবদসু য়ু এসকী অয়াবা চঙগনি : ওফিসল

ৱাশিংটন, জুন ১৬ (এজেন্সী) :

পাষ্টিাননা জোরদানদগী অমনবা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং লৈনবা হোৎনবা তরাইনা হেক্তা য়াদবা য়াই মরমদি মদু য়ু এসকী অয়াবা চঙগনি অমসুং লৈবা য়োনবদুদা পোৎ শীজিন্নবগী মওং মোনিটর তৌবসু য়াওগনি হায়না ওফিসলশিংনা ৱাশিংটনদা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তাননা মফম খরদগী অমনবা এফ-১৬শিং লৈননবা হোৎনরি হায়বগী রিপোর্টশিংদা ঐখোয়না করি করি তৌগদগে হায়না ৱাখল শাগৎপগী ৱাফম লৈত্রবসু ঐখোয়না খঙবা য়াই মদুদি য়ু এসকী লোগী মতুং ইন্না য়ু এসতগী হৌখিবা দিফেন্সকী আইটেম খূদিংমক অহুমশুবা পার্টি অমদা অমুক হন্না ট্রান্সফর তৌবা তারবদি য়ু এস গভর্ণমেন্টকী অয়াবা চঙগনি।

গভর্ণমেন্টনা কোংগ্রেসকা পাউ ফাওনবা চঙবগা লোয়ননা ইরোই লোইবদা পোৎ শীজিন্নহনবগী মওংদুসু মোনিটর তৌবা চঙগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি।

মশক মমিং ফোঙদোকহন্নিংদবা ওফিসল অমনা ৱাফম অসি অমেরিকাদগী ফজনা সবসিদাইজ তৌরবা মমলদা এফ-১৬ প্লেন নিপান লৈনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা পাকিস্তাননা জোর্দানদগী অমনবা প্লেনশিং লৈননবা খন্নরি হায়বা রিপোর্টশিংগী মতাংদা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।



পাকিস্তাননা হকানি নেটৱার্ককী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎতববু কন্না য়ানিংদবা উৎলদুনা য়ু এস কোংগ্রেসকী লোমেকরশিংনা পাকিস্তানদা সবসিদি পীদুনা এফ-১৬শিং য়োনবগী মায়োক্তা লৈখিবনি।

“এফ-১৬ এয়রক্রাফট য়োনবগী লেট্টর ওফ ওফর এন্দ এসেফটেন্সকী মতম মে ২দা লোইখ্রে হায়না ওফিসল অদুনা হায়খি।

“পাকিস্তাননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী এফ-১৬ লৈননবগী ওফরগী টর্ম অমসুং কন্দিসনশিংদু য়াখিদ্রে অমসুং য়োনবগী টর্মশিংগী মতমসু লোইশিনখ্রে” হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী অতোপ্পা ওফিসল অমনা পি টি আইদা হায়খি।

“ঐখোয়না হৌজিক এফ-১৬ প্লেনশিংগী থার্দ পার্টি ট্রান্সফরগী ৱাফম খন্নরি অমসুং জোর্দানদগী ওফর অমা ফংলে” হায়না পাকিস্তানগী দিফেন্স সেক্রেটরি অলম খাতকনা হৌখিবা চয়োলদা হায়খি।

খাতককী ৱারোল অদুগী মতাংদা হংবদা য়ু এসকী ওফিসল অদুনা হায়খি, ঐখোয়না নখোয়দা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানদুনা মখোয়গী ৱারেপ অমসুং তুংগী দিফেন্স প্রোক্যুরমেন্টকী থৌরাংশিং খঙননবা হায়রি। ওফিসল অদুনা য়ু এসনা জোর্দান অমসুং পাকিস্তানদগী অসিগুম্বা রিক্বেষ্ট অমা ফংই নৎত্রগা ফংদে হায়বদুদি খঙখিদে।

অদুম ওইনমক পাকিস্তাননা এফ-১৬শিংদু মমল চপ চানা পীদুনা য়ু এসতগী লৈবা য়াবগী ওপসনদি লৈ হায়রি।

## ইজিপ্ট এয়রগী অকায়-অতোয়শিংগী লৈফম ফ্রেঞ্চ সার্চ ভেসেলনা খঙবা ঙমখ্রে

পেরিস/কাইরো, জুন ১৬ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থাদা মেদিটরিনিয়নগী নোংপোক থংবা শরুক্তা কায়খিবা ইজিপ্ট এয়র জেট অদুগী অকায়-অতোয়শিং তাশিনফম অদু ঈশিং মনুংদা লুনা চঙশিন্দুনা থিবা ঙম্বা ভেসেল অমনা খঙবা ঙম্লে হায়না ইজিপস্যানশিংনা লূচিংবা ইনভেষ্টিগেসন কম্মিটিনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাদা ফ্রেঞ্চ নেভল সিপ লেপলেসনা ফ্লাইট রেকোর্দরশিংদুগী মনুংদা অমা দিটেক্ট তৌখি অমসুং মদুগী মতুংদা অমেরিকন ভেসেল জেন লেথব্রীজনা অকায়-অতোয়শিং অদুগী মফম অমসুং ইমেজশিং ফংখি।



প্লেন অদুগী ব্লেক বোক্সশিং অদু থা অসিগী অরোইবদা মথৌ তৌবা লেপখ্রগনি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চেকশিনৱা পীখ্রবা মতুংদা অকায়-অতোয়শিং অদুগী লৈফমদু খঙবা ঙম্লকখিবনি।

এয়রক্রাফট কায়খ্রিবা মেদিটরিনিয়ন সিগী এরিয়া অদু মিটির ৩,০০০ (ফুট ১০,০০০) লুই হায়না থাজনৈ অমসুং মদুগী ফ্লাইট দেটা রেকোর্দর অমসুং কোকপিট ভোইস রেকোর্দর অদু চয়োল মরিদগী মঙা ফাওবদগী সিগ্নেলশিং থাদোকপা কোন্নবা বেট্টরিগী পৱার য়াওরম্বা য়াই হায়রি।

পেরিস-কাইরো ফ্লাইট অদু হৌখিবা মেগী ১৯দা গ্রীসকী ইথৎ ক্রেট অমসুং ইজিপস্যান কোষ্টকী মরক্তা কায়খিবনি। মদুদা তোংখিবা মীওই ৬৬মক ক্রাস অদুদা শিখি। টেরর এটেক ওইরম্বা য়াবগী ৱাফম হৌজিকসু খন্নরিবা ওইজরবসু প্লেন কায়খিবগী মরম হৌজিকসু শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

ইজিপস্যান গভর্ণমেন্টকা য়ানখিবগী মতুং ইন্না লেপলেসকী মিসন লোইখিবগা লোয়ননা ভেসেল অদু হৌজিক ওপরেসন লেপ্পগনি। ভেসেল অদুগী মিসনদি একোষ্টিক দিটেক্সন সিষ্টেমশিং শীজিন্নদুনা ফ্লাইট রেকোর্দরশিংনা থাদোরক্লিবা সিগ্নেলশিং থীবনি হায়না ফ্রান্সকী এভিয়েসন সেফতি এজেন্সীনা হায়খি।

এজেন্সী অদুনা মখা তানা হায়খি, রাদার স্কৃনশিংদগী মাঙখিদ্রিঙৈ মিনিট খরগী মমাঙদা এয়রক্রাফট অদুনা কেবিনদা মৈখু থোক্লে অমসুং ফ্লাইট কন্ট্রোলদা অশোয়বা য়াওরে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা ওটোমেটেদ মেসেজশিং ট্রান্সমিট তৌখি।

মেদিটরিনিয়নদা তাশিনবা মতমদা প্লেন অদুগী লোকেটর ট্রান্সমিটরনা সেটলাইটকী খুত্থাংদা থাখিবা ইমর্জেন্সী সিগ্নেল অমনা ইনভেষ্টিগেটরশিংবু সার্চকী মফমদু পীকশিনবা ঙমহনখি।

অকায়-অতোয়শিংদু কেবিনগী পোৎশক কয়ামরুম য়াওরি। প্লেন অদুদা ইজিপস্যান ৩০, ফ্রেঞ্চ সিটিজন ১৫, ইরাকি অনী, কনাদিয়ন অনী অমসুং অলজিরিয়া, বেলজিয়ম, বৃটেন, চাদ, পোর্চুগল, সাউদি অরাবিয়া অমসুং সুদানগী সিটিজনশিং তোংখি। মখোয়গী মরকতা নুপামচা অমা অমসুং পীশক পীক্লিবা অঙাং অনী য়াওখি।

ক্রু তরেৎ অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল অহুমসু প্লেন অদুদা য়াওখি। হৌখিবা থাদা মেদিটরিনিয়নদগী ফ্লাইট এম এস ৮০৪গী পেসেঞ্জরশিংদুগী পোৎলম চৈরমশিংগা লোয়ননা প্লেনগী অকায়-অতোয়গী শরুক খরগা ফংখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি।

হৌখিবা ওক্টোবরদা ফোরন গভর্ণমেন্টশিংনা ইজিপ্টতা চৎপগা মরী লৈননা মখোয় মখোয়গী সিটিজনশিংদা ট্রেভল ৱার্নিংশিং পীখি অমসুং ইজিপ্টকী এয়র পোর্টশিং রিভিয়ু তৌনবা দিমান্দ তৌখি। আই এসনা সোদা মনুংদা লোৎতুনা পুশিনবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা রশিয়ন এয়রলাইনর অমা থুগাইখ্রে হায়না ফোঙদোরকপদগী লৈবাক কয়াগী গভর্ণমেন্টশিংনা ট্রাভল ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌখিবনি।

## রেম্মদন মনুংদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ঈশিং থাবা লেপখ্রে

জেরুসলেম, জুন ১৬ (এজেন্সী) :

ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী এরিয়াশিংদা ইজরেলগী নেসনল ৱাটর কম্পনিনা য়াম্না মরু ওইরিবা ঈশিং সপ্লাইজ লেপখিবদগী মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রেম্মদন মনুংদা পালেষ্টিনিয়ন লীশিং কয়া অফবা থক্নবা ঈশিং ফংদনা ৱানা লেল্লে হায়না পালেষ্টিনিয়ন ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পালেষ্টিনিয়ন টাউনশিং অমসুং সিটিশিংদা ঈশিং সপ্লাই তৌবা মরু ওইবা কম্পনি ওইরিবা মেকোরেটনা মফমশিংদুদা থাগদবা ঈশিং অদু জেনিন ম্যুনিসিপালিটি, নেভলসকী খুঙ্গং কয়া অমসুং সালফিট সিটি অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা ওইনা সপ্লাই তৌখ্রে হায়রি।

পালেষ্টিনিয়ন হাইদ্রোলোজি গ্রুপকী ইগজিক্যুটিব দিরেক্টর অয়মন রবিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অল-জজিরাদা হায়খি মদুদি, মফম খরদদি মীশিংনা ঈশিং ফংদবা নুমিৎ ৪০নি হেল্লক্লে।

“মীশিংনা ঈশিং ট্রকশিংদগী ঈশিং লৈদুনা শীজিন্নরে নৎত্রগা ঈফুৎকুম্বা অতৈ সোর্চশিংদগী ঈশিং শীজিন্ননবা হোৎনরে” হায়না মহাক্না হায়খি।

“ইমুংশিংনা নোংমদা ঈশিং লিটর অনী, অহুম নৎত্রগা লিটর ১০দা হিংনবগী ফীভমদা লৈরে” হায়না মহাক্না হায়খি। লোয়ননা এরিয়া খরদদি মখোয়না ঈশিং য়েনবা হৌরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মীওই ৪০,০০০ হেন্না লৈবা জেনিন সিটিদা ঈশিং পীবগী চাং তঙ্খায় অমা হন্থখিবগা লোয়ননা অশাবা কালেন থা মনুংদা ঈশিং ৱাৎপদগী থোক্লকপা অৱা-অনা খূদিংমক মেকোরোটনা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌগদবনি হায়না জেনিন সিটিগী ওথোরিটিশিংনা চেকশিনৱা পীখ্রে।




## EMPLOYMENT NEWS

**SINGARENI COLLIERIES COMPANY LIMITED – SCCL RECRUITMENT 2016 – 07 LECTURER, JUNIOR ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 30 JUNE**

**SCCL Recruitment 2016**

Singareni Collieries Polytechnic College invites application for the post of 07 Lecturer, Junior Assistant & Junior Lab Assistant. Apply before 30 June 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Lecturer
**No. of Vacancy :** 03 Posts
**Pay Scale :** 20700/- (Per Month)
**Post Name :** Junior Assistant
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** 8400/- (Per Month)
**Post Name :** Junior Lab Assistant
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs.7000/- (for ITI) & Rs.7700/- (For Diploma)
**Eligibility Criteria for SCCL Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Teachers :** M.Sc. (Chemistry) with 55% marks from a recognized University of Indian Union or M.Com with 55% marks from a recognized University of Indian Union.
**For Junior Assistant :** Degree in any discipline from a recognized University of Indian Union with knowledge in Computers.
**For Junior Lab Assistant :** Diploma in Mining Engg. Or Holder of Overman/MiningSirdar Certificate of competency or ITI (Welder)
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 44 years (as on 01.07.2016)
**Job Location:** Khammam (Telangana)
**Selection Process :** Selection will be made on interview on merit basis.
**How to Apply SCCL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with copies of relevant documents, experience certificate & two latest passport size photograph send to the Principal, S.C.Polytechnic, CCC, Naspur, Mancherial – 504 302, Adilabad District, Telangana State on or before 30.06.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Last Date For Submission of Application form :** 30.06.2016
**Important Links :**
**Details Advertisement & Application form Link :** http://scclmines.com/scclnew/careers/docs/2016-17SCP.docx

**SCCL RECRUITMENT – 15 LECTURER, JUNIOR ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 30 JUNE 2016**

Singareni Collieries Women's Degree & Junior Colleges invites application for the post of 15 Lecturer, Junior Assistant & Various Vacancies. Apply before 30 June 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Lecturer
**No. of Vacancy :** 03 Posts
**Pay Scale :** 20700/- (Per Month)
**Post Name :** Junior Assistant
**No. of Vacancy :** 07 Posts
**Pay Scale :** 8400/- (Per Month)
**Eligibility Criteria for SCCL Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Teachers :** M.Sc. (Chemistry) with 55% marks from a recognized University of Indian Union or M.Com with 55% marks from a recognized University of Indian Union.
**For Junior Assistant :** Degree in any discipline from a recognized University of Indian Union with knowledge in Computers.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 44 years (as on 01.07.2016)
**Job Location:** Khammam (Telangana)
**Selection Process :** Selection will be made on interview on merit basis.
**How to Apply SCCL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with copies of relevant documents, experience certificate & two latest passport size photograph send to the Principal, Singareni Collieries Women's Degree College, Kothagudem (Post), Pin: 507 101, Khammam Dist, Telangana State on or before 30.06.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Last Date For Submission of Application form :** 30.06.2016
**Important Links :**
**Details Advertisement & Application form Link :** http://scclmines.com/scclnew/careers/docs/2016-17SCWDC&SCWJC.docx

**SCCL RECRUITMENT – 58 TEACHERS, JUNIOR ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 30 JUNE 2016**

The Singareni Collieries Educational Society (SCES) invites application for the post of 58 Teachers, Junior Assistant & Various Vacancies. Apply before 30 June 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Teachers
**No. of Vacancy :** 32 Posts
**Pay Scale :** 10900/- (Per Month)
**Post Name :** Junior Assistant
**No. of Vacancy :** 09 Posts
**Pay Scale :** 8400/- (Per Month)
**Eligibility Criteria for SCCL Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Teachers :** Degree in B. Sc with M.P.C /Bi. P.C. and B Ed. with Mathematics and Physical Sciences/ Biological Sciences as a Methodology subject. Degree in English as the Main subject or one of the optional subject or a Post Graduate Degree in English and B.Ed. with English/Social Studies as a methodology subject. Degree in Arts and B.Ed., with Social Studies as a methodology subject.
**For Junior Assistant :** Degree in any discipline from a recognized University of Indian Union with knowledge in Computers.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 44 years (as on 01.07.2016)
**Job Location:** Khammam (Telangana)
**Selection Process :** Selection will be made on interview on merit basis.
**How to Apply SCCL Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with copies of relevant documents, experience certificate & two latest passport size photograph send to the GM (Education), The Singareni Collieries Educational Society, Qr. No. UM-14, Writers Basthi, Kothagudem (Post), Pin: 507 101, Khammam Dist, Telangana on or before 30.06.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Last Date For Submission of Application form :** 30.06.2016
**Important Links :**
**Details Advertisement & Application form Link :** http://scclmines.com/scclnew/careers/docs/2016-17SCHOOLS.docx